# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী, জিরিবাম অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) কিউ.এস ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিতি রেঙ্কিং এসিয়া ২০২৫ গী মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিতি ১০০ গী মনুংদা ভারতকী ইন্সটিট্যুসন ৭ য়াওরে।

অমসুং

৩) উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অমা চাওখৎননবা হোৎনবদা রিছার্স অমসুং ইনোভেসন্না মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী চঙৌবুংদগী ফাইভ পোইন্ট সিক্স ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু কন্ট্রি মেদ পিষ্টোল অনি, সিঙ্গল বোর রাইফল অনি, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, চার্জর য়াওবা বাউফেং হেন্দসেট অমা, এস.এল.আর মেগজিন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ১৫ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী টি. খোনোমফাই ভিলেজদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বগী থবক চথবদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, এস.বি.বি.এল ৬, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, ফাইভ পোইন্ট

ফাইভ সিক্স ইন্সাস রাইফলগী মরু ৪৭, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম এ.কে. রাইফলগী মরু অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগী মোংবুং মীতৈ খুল, বালিজ্রি অমসুং জারোলপোকপীগী অকোইবা মফমশিংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৭ শুবা আই.আর.বি, অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থখ্রে।

মোংবুং মীতৈ খুলগী অনকপা উমংশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা লোৎতুনা থম্লম্বা বুল্লেট প্রুফ জেকেট মরি, মেগজিন হাপবা খাউ অমা, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরুক অমদি সিঙ্গল বেরেলগী মরু মঙা ফাগৎখি।

মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৩৩ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা চংলকখ্রে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলস অমসুং তেংনৌপল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ ওথোরিতিজ অনিনা পুন্না শিন্দুনা ক্বাথা খুলদা হেলথ চ্যেকঅপ অমদি মেদিকেল কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই ১৫০ হেন্না লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী ফাইসাংজাং খুলদসু মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখি। মদুদা মীওই ৮৩ লায়েংখি।

রেঙ্কিং ঃ কিউ.এস ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিতি রেঙ্কিং এসিয়া ২০২৫ গী মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিতি ১০০ গী মনুংদা ভারতকী ইন্সটিট্যুসন ৭ য়াওরে।

শিক্ষা মন্ত্রালয়না থোকপা চরোল অমনা হায়- আই.আই.টি দিল্লিনা ৪৪ শুবা মফম কনদুনা ভারতকী ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবগা লোয়ননা রেঙ্কিং অসিগী মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিতি ৫০ গী মনুংদা ভারতকী ওইনা য়ুনিভর্সিতি অনি য়াওরি। আই.আই.টি বোম্বেনা রেঙ্কিং অসিগী ৪৮ শুবা মফমদা লৈরি। অতোপ্পা রেঙ্কিং অসিগী মনুং চনবা ইন্সটিট্যুসনশিং অদুদি- আই.আই.টি মদ্রাজ,

আই.আই.টি খরাগপুর, হন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স, আই.আই.টি কানপুর অমসুং য়ুনিভর্সিতি ওফ দিল্লিনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- ভারতকী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মফমশিং অসিনা ভারত অসি হায়র ইজ্‌কেসনগী লমদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমলে হায়বদু তাক্লে।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অমা চাওখৎননবা হোৎনবদা রিছার্স অমসুং ইনোভেসন্না মরুওইবা থৌদাং লৌরি। ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি নিউ দিল্লিগী মরিসুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংলদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অমগী রিছার্স অমসুং ইনোভেসন্না লৈবাক অমগী তৌবা ঙম্বগী শক্তি অদু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা তাকপা ঙম্মী। মহাকা হায়- ইদুকেসন সেক্তরদা হেন্না শেল থাদবনা সমাজ অসিবু অফবা মাইকৈদা পুরকপদা চাউনা মতেং ওইগনি। শ্রী ধনখরনা হায়- শিক্ষা হায়বসি করবার অমনি হায়না কৈদৌঙৈদসু লৌরোইদবনি, মসি সমাজগী য়াইফননবগীদমক্তা তঙাইফদবা মচাক অমনি।

থৌরম অদুদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা ইন্সটিট্যুট অসিগী মকোক থোংবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো- সংকল্প পত্র ঙসি মুম্বাইদা ফোংলগনি। শ্রী সাহনা অৱাং থংবা মহারাষ্ট্র অমদি বিদরভা লমদমগী জালগাউন, বুলদানা অমসুং অম্রাবতিদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াগনি।

রাজ্য বিধান সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাষ্ট্র অমসুং ঝারখন্দদা ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা মীখলগী রেল্লি অমদি রোড সো পাঙথোক্কুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা ঙমজবী থাদুনা হোৎনরি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং মহারাষ্ট্রগী অকোলা অমসুং নন্দেদতা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমশিংদা

দল অসিগী মীরেপশিংদমক ভোৎ খোমখি। রেল্লিশিং অদুদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি অনি মখায় অসিদা মরাঠাৱারা লমদম চাওখৎনবগীদমক সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৮০ কাইথোকখ্রে। লমদম অসিদা ইরিগেসনগী প্রোজেক্ট ১১ সুবা পায়খৎখি। মহাকা হায়- হায়রিবা মতম অসিদা লমদম অসিদা দিল্লি-মুম্বাই ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর, রেল কোচ ফেক্তরি, লোজিষ্টিক পার্ক, সমরুধি হাইৱে, শক্তি পিট এক্সপ্রেস ৱে অমসুং নন্দেদতগী দিল্লি অমসুং অদমপুর পাইগদবা অনৌবা ফ্লাইটশিং য়াওনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙমলে। মসিনা লমদম অদুগী মীয়ামদা থবক পীবদা চাউনা মতেং পাংলি।

অমরোমদা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা ঙরাং অম্ব্রাবতিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি। এন.সি.পি (এস.পি)গী মকোক সরদ পৱারনা ঙরাং হিংগোলি, বিদ অমসুং আষ্টিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। শিব সেনা (য়ু.বি.টি)গী মকোক উধব থাক্রেনা হিংগোলি অমসুং লোহাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

সুত্তিং ঃ নিউ দিল্লিগী ডাঃ করনি সিংহ্ রেঞ্জদা চৎথরিবা ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিতি সুত্তিং চেম্পিয়নসিপকী ঙরাং অহানবা নুমিৎতা ভারতনা লুপাগী তকমান অনি অমসুং শেঞ্জেংগী অমা ফংবা ঙমলে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা পুন্না লৈবাক ২২ গী শান্নরোইশিংনা শরুক য়ারি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী মমাংগী ইদিসনদা ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টনা সনাগী ৮, লুপাগী ৪ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌবা ঙমখি।

স্নোকর ঃ ভারতকী পঙ্কজ অদবানিনা আই.বি.এস.এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়ার্দস চেম্পিয়নসিপ ৱান ফিফতি অপ ফোর্মেটকী টাইটল লৌরে।

কটারগী দোহাদা পাঙথোকখিবা তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা পঙ্কজ অদবানিনা ইংলেন্দগী রোবার্ট হোলবু মায়থিবা পীখিবনি।

### ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপদা মৌ নহা অমা শিখিবা, তোঙান তোঙানবা মফমদা বোম য়াওনা নোংমৈ কাপ্পুনা লান্দারকখিবা অমসুং মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি তেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকপদা লৌ শুদুনা লৈজবী নুপী অমা শিরে। জিরিবাম য়াইঙংপোকপী, শান্তি খোঙবাল, থম াপোকপী অমদি শাবুংখোক খুনৌদসু লান্দারকখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পোক ফম, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর নিউজল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, মোর্নিং বেল, ঈচেল এক্সপ্রেস অমসুং মণিপুর মেলদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা তেংবাং পীনবা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিসু পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা কামজোং অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং দিসেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা মরমদা হনখিনবা দিষ্ট্রিক্ট হেদশিংনা খঙহল্লকপা লৈরে হায়না রিফ্যুজিশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন থন্বা হায়বা ৱাফমসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা য়াদে হায়না নাগালেন্দ হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এস.সি. জামিরনা ফোংদোকপা ৱাফম পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাকনচিংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং হন্দোকবগী মতাংদা সেন্তরগা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী খোঙথাং মখা তানা চথ্নরগনি হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নাগালেন্দ মনুংদা পল্লিবা মণিপুরগী গাড়িশিং লৌথোকবা খঙহল্লক্লে, পাউমাই অনি ফুরকপগী ব্লোকেদনা মীয়ামদা অৱাবা পীরি হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরবু সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতিগী থাক্তা ওনখৎনবা হোৎনরি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মণিপুর নিউজগী এনকর কলমদা ফোংলি।

------